**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা নোংমৈ অমসুং বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

২) ৭ শুবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মাহ তোঙান তোঙানবা থৌরম কোতি লিশিং ৬৮ গা লোয়নননা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়না মীয়ামদা মংকি পোক্স লায়নাগী মতাংদা পাক শন্না খঙহন্নবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হায়খ্রে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা নোংমৈ অমসুং বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী স্বাংদাই (তুইকুই মুৱালম)দা মণিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুন্থবগী থবক চখবদা নাইন এম.এম. কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল অমা, সিঙ্গল বেরেল অমা, ম্যান্মার করেন্সিদা কিয়াট লিশিং ৬,২০০, বি.পি. জেকেট অমা, কেমোফ্লেক খোংগ্রাউ অমা অমদি কেমোফ্লেগ ফুরিৎ অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী হরাউথেল অমসুং লম্খুং চীংদা মণিপুর পুলিস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ত্রাহপোৎ য়াওবা মিটত ২ মখায় শাংবা লোকেল মেদ ইমপ্রোভাইস প্রোজেক্টাইল লোঞ্চর (পোম্পী) অমা, কে.জি. অমা মখায়রোমগী বোম ১১ অমসুং এমতি কেস ১০ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শলাম পাতোং ভিলেজদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা অসাম রাইফলসনা আই.ই.দি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

এআর (এল)ঃ কামজোং জিলাগী সোর্ট কম্পনি ওপরেতিং বেজদা সেক্যুরিতিগী ওইবা মীফম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদু খুঞ্জাশিংবু মখোয় মখোয়গী লৈফমদা শোইদা ঙামদনা লৈহন্নবা অমসুং হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতি ফিভম খন্ননবা পান দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ভিলেজ কাউন্সিল ১২ গী মীহুৎ ১৮ না শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী মোদি ভিলেজদা রাইফলমেন জি.দি. চুরামনি সিংহগী নীংশিং খুভমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। রাইফলমেন চুরামনি ইং ১৯৯০ গী সেপ্তেম্বর ২৬ তা রাজ্য অসিগী খাইবুং খুল্লেন অমসুং লেখমাই পোষ্টকী মরক্তা পেট্রোল্লিং চৎলিঙৈদা লালহৌবশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা লৈখিদবনি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাগী পাঙলতাবী অমসুং ৱাংজিং খুনৌদা ঙরাং নুমিদাং মীয়ামগী মৈরা রেল্লি চৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই, মৈতৈশিং সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়বা য়াওনা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

সাহিত্যা (এল)ঃ মণিপুরী লোল, কলচর অমসুং সাহিত্যাবু মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা শকাইরবা কবি, কৃতিক অমসুং ট্রান্সলেটর ব্রজকুমার শঙ্করদা থিয়াম ইবোচৌবী নেসনেল এৱার্দ খুৎশিন্নরগনি। সাহিত্যা থৌপাং লুপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইতেসন অমা অমসুং লেংয়াল অমা য়াওরি। সাহিত্যা থৌপাং লুপনা চহি ২০ ফারকপগী শরুক অমা ওইনা নোংচুপ বেঙ্গলগী দুর্গাপুরদা মণিপুরী সাহিত্যা অমসুং লোলবু মপান লমদা হেন্না শক তাক্লুনবগীদমক নুমিৎ হুমিগী ওইবা খোঙচৎ অমা শাথৌ লুপনা শিন্দুনা চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসিদা মীওই ১৬ না শরুক য়াগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মনকি বাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মনকি বাট- পুকিংগী ৱাগী ১১৪ শুবা ইপিসোদ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি।

মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎতুমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ত লোলশিং- পৌমাই, মার, পাইতে, কবুই, থাদৌ, মাও অমসুং তাঙ্খুলদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

পোসন মাহ ঃ ৭ শুবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মাহ তোঙান তোঙানবা থৌরম কোতি লিশিং ৬৮ গা লোয়ননা লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিদা এনিমিয়াদগী ঙাকথোকবা থৌরাংগী মখাদা এন্যুএল ন্যুট্রিসন অমসুং ৱেলফ্যার কেম্পেন কোতি ১ লাখ ৮০ রেজিষ্টর তৌখ্রে। গ্রোথ মোনিটরিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কোতি ১ লাখ ৬৮ পায়খৎলি। অদুগা কমপ্লিমেন্টরি ফিদ্দিংগী মখাদা চাউরাকা থৌরম কোতি ১ লাখ ৪৫ পায়খৎলি। কেম্পেন অসিগী পোসনভি পরাইভি থৌরমগী মখাদা ইভেন্ট কোতি ১ লাখ ৫৯ য়াওরি। মসিদা নত্তনা মীয়াম ভাব তাহনবা, অকোইবগী ফিভম ঙাকশেনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড

দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না চহি অসিগী পোসন মাহগী থবক থৌরমশিং খ্বাইদগী নিংথিনা পাঙথোকপা রাজ্যশিং অদুদি- মহরাষ্ট্র, বিহার, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, গুজরাত অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনি।

মংকি পোক্স ঃ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যার মন্ত্রালয়না মীয়ামদা মংকি পোক্স লায়নাগী মতাংদা পাক শন্না খঙহন্নবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হায়খ্রে।

মন্ত্রালয়না থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুংইন্না রাজ্যশিংদা সার্ভিলেন্সকী থৌরাং পায়খৎনবা হায়রি। এদভাইজরি অদুদা লায়না অসিগী টেষ্ট তৌনবা লেবোরেটরিশিংগী মমিংগা লোয়ননা ক্লিনিকেল মেনেজমেন্ট প্রোতোকোলশিং, ইনফেক্সন প্রিভেন্সন অমসুং কন্ত্রোল প্রাক্টিসেসনচিংবা য়াওরি। মন্ত্রালয় অসিনা হেলথ ফেসিলিতিশিংদা সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংনা রাজ্য অমসুং জিলা থাক্তা লায়না অসি থেংননবা শেম শারিবশিং নৌনা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে। হোস্পিতালশিংদা লায়না অসি নাবা অমসুং চিংনবা মীওইশিং তোঙান্না থমবা আইলেসন ফেসিলিতিশিং শেমগৎনবসু মন্ত্রালয়না খঙহল্লি।

তুরিজম ঃ ৱার্ল্ড তুরিজম ডে ঙসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাঙথোক্লি। তুরিজমনা মীয়াম মরক্তা মরী ফগৎহন্নবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা লৌরিবা থৌদাংবু নিংশিংদুনা চহি খুদিংগী নুমিৎ অসি পালন তৌবনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি- তুরিজম অমসুং শান্তি হায়বসিনি।

তুরিজম মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা ঙসি ৱার্ল্ড তুরিজম ডেগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অদ্দা মালেমদা নুংশি চান্নবা লৈনবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা তুরিজমনা লৌরিবা থৌদাংগী মরুওইবা উৎকনি। উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর থৌরম অদুদা ৱা ঙাংগনি। থৌরমদুদা কুমশি চহিগী বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ এৱার্দশিং য়েন্থোক্কনি। পনবা য়াই, রাজ্য অসিগী ওইনসু অন্দ্রো ভিলেজ বেষ্ট তুরিজম ভিলেজ এৱার্দ পীনবগীদমক খনগৎপদা য়াওরি।

ইথানোল ঃ  ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি প্রহ্লাদ জোসিনা হায়রি- ভারতনা ইথানোল পুথোকপা অমসুং শিজিন্নবদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা অহুমশুবা লৈবাক ওইরি।

নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ইন্দিয়া সুগর এন্দ বাইও ইনর্জি কনফরেসন্স হৌদোক্লদুনা শ্রী জোসিনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা লৈবাক অসিদা চু থাবগী চাং অসি চাদা ১৮ হেনগৎলে।  অদুগা চু পুথোকপগী চাংনা চাদা ৪০ হেনগৎলে। মহাকা হায়- সরকার অসিনা হৌখিবা চহিদা নেসনেল গ্রিন হাইদ্রোজেন মিসন হৌদোক্কুনা মালেমগী ওইনা গ্রিন হাইদ্রোজেন শিজিন্নবা অমসুং মপান লমদা য়োনবদা লুপা কোতি লিশিং ১৯.৭৪৭ গী শেনফম তানবা ঙমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টরনা এম.এস.সি.বিগী অনৌবা ব্রাঞ্চ অনি হাংদোকখিবা, থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট খরদা চৎনহল্লকখিবা অফস্পা থা ৬ শাংদোকখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বেঙ্ক লৈরিবসি মীয়ামগী মতেং পাংনবনি, ৱাহন্নবা নত্তে, লোন লৌরগা শিংবগী হৈনবী থম্বীয়ু- সি.এম. হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা য়ু.এন.ঐচ.আর.সিদা খুরাইজম অথৌবা য়াওনা স্পিকর অহুমনা পুখৎখ্রে হায়বা পাউ অমসু ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এন.ঐচ. থার্তিসভেনদা চংশিনখিবা মতম কক্তবা লন্বী থিংবগী খোঙজং য়ান্নবা পুরকপদগী হন্দোকখে হায়বা পাউ অমা মণিপুর নিউজ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তৌসেম এরিয়াগী বন্দ হন্দোকখিবগী পাউ অমসু তমেংলোং টাইমস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি য়ু.জি. ৯০০ চংলকখ্রে হায়রল্লগা হুৎ লৈথোকখিবগুম লৈথোতৌরিব্রা, কে.এন.এনা ঙাক্লুবা ম্যান্মারদগী খুৎলায় পুশিল্লক্কদৌরে হায়বা পাউ অমসুং সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অথুবা মতমদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং খাবা হৌদৌরি হায়বা পাউ অমসু শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা- সেন্তরগী শরৌরা চিংনরে- কোকোমি হায়না ফোংলি।

সেন্তরনা এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী লুচিংবশিংগা মখা তানা ৱারী শান্নবা বার্তন তৌরকখ্রে হায়বা পাউ অমসুং পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেদসু অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টেল হেলথ ডে পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------